## ধোনি, হেমন্ত ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ন পিপলস থিএটর এসোসিএসন (আই পি দি এ) না শীন দুনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱার্দ ফংলক্লবা এস ঐচ হেমন্ত অমসুং মাইবি ওইনাম ধোনিবু সনালৈবাক নাচোম আর্টিস্ট এসোসিএসন অমসুং লৈময়োন আর্টস সেন্টরনা ওকপগী থৌরম অমা চীংঙামখাদা লৈবা লৈময়োন আর্টস সেন্টরগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন পিপলস থিএটর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. এম নরনা হায়খি, কলচর য়াওদনা মীওইবনা হিংবা য়াদে অমসুং কলচরেল পোলিসি য়াওদনা চাওখৎপা য়ারোই। মণিপুরগী কলচরেল পোলিসি অসি শেমখিবা ফনা য়াম্না কুইরে অদুবু ঙসি ফাওবা মীয়াম খঙনা লাউথোকপীদ্রে। পোলিসি য়াওদনা করম্না কলচর চাওখৎকদৌরিবনো। মণিপুরী কলচরনা খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপা ঙম্লিবনি। থিএটরগী মুভমেন্ট অসি মীওইবদা য়াওদবা য়াদবা অমনি।

মীওইবনা চাওখৎপদা কলচর অমসুং থিএটরনা পুখৎলক্লিবনি। ইমা ওইনাম ধোনি অমসুং এস ঐচ হেমন্তবু ওকচরিবা অসি মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপদা নত্তনা আর্টিস্টশিংবু পূক্নিং থৌগৎচবনি। শুমাং লীলা হায়বা অসিসু হৌজিক্তি মালেমদা লৈবা লৈবাক ২৬১না শকখঙবীবা ওইরবনি।

থৌরম অদুদা শক্লাইরবা থিএটর দিরেক্টর ৱারেপ্পা নবা, শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র, লৈময়োল আর্টস সেন্টরগী প্রসিদেন্ট এস তোম্বা, ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এল সদানন্দ, রিটয়ার্দ প্রোফেসর সনসম উমানন্দ অমসুং রিটয়ার্দ প্রোফেসর ঐচ জয়ন্তকুমারনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : চজিংলাকপা পুরৈরোম্বা খুভম চীংলেন লাইশঙ শঙ্গারোল পাউদম হায়না মীংথোনবা অঙোমচা চীংশুবম লাইচানা ইবা লাইরিক অমা ঙসি উকল ময়ায় লোইশঙদা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা লোংজম রতনকুমার প্রসিদেন্ট ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) না চীফ গেষ্ট, উকলগী প্রসিদেন্ট চনম নবচন্দ্র প্রসিদেন্ট উকলনা প্রসিদেন্ট অমসুং ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ মৈতৈ এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর কলচরেল য়ুনিভর্সিটি (উমংলাই হরাউবা) না চীফ গেষ্ট ওইখি। মুতুম মনিতোন মৈতৈনা লাইরিক মশক তাকখি হায়রি।

## ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : হৌজিক চত্থরিবা কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামিনেসনগা মরী লৈননা ককচীং খুনৌ কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না কোলেজ অসিদা ওজাশিংগা লোয়ননা য়াম্না কূপ্না শেন্নরিঙৈ তাঞ্জাদা দেসাম/এইমসকী মীওই খরা লাক্লগা মহৈরোয় খুন্নাইগী অমদি ককচীং খুনৌ কোলেজগী মথক্তা ৱাফম কয়া থম্লকখিবা অসি লাইবক থীবনি হায়না ককচীং খুনৌ কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর দি ব্লাইন্দ মণিপুরগী ৩৯শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : তাকয়েলগী এস এ আই রোদতা লৈবা ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর দি ব্লাইন্দ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি এসোসিএসন অসিগী ৩৯শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অমসুং ব্লাইন্দ গর্লস হোষ্টেল শঙ্গাবা অমসুং ১৩শুবা লাইশ্রম গৌরমনি মেমোরিএল এৱার্দ ফোর দি ভিজুএল্লি হেন্দিকেপ - ২০১৯গী থৌরম ঙসি তাকয়েলদা লৈবা হোম ফোর দি ব্লাইন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পাৎশোই এ সীগী এম এল এ এ কে মিরাবাইনা চীফ গেষ্ট, হরে কৃষ্ণ মংশাতাবম আই এ এস দিরেক্টর, সেন্সস ওপরেসন মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং ঐচ বিক্রমজিৎ প্রোপ্রাইটর ঐচ ভি এস কন্সত্রক্সন মেটরিএলস প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং টি ঐচ অরুনকুমার প্রোপ্রাইটর অরুন ইন্টরপ্রাইজেস অমদি নেরোকা এফ সীগী প্রসিদেন্টনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ এ কে মিরাবাইনা হায়খি, ঙসি শঙ্গারিবা ব্লাইন্দ স্কুলগী মহৈরোয় নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল অসিগী নুপীগী ৱার্দেন থম্নবা থা-থাগী ওইনা লুপা লিশীং ৪/৪ ঐহাক্না হিংলিবা ফাওবা পীরগনি। হোষ্টেল অসিগী দাইনিং টেবলসু অথুবদা পীরগনি। মসিগী মথক্তা ফেন্সিং খাদবা য়ারক্তবা অসিসু অথুবা মতমদা খানবা হোৎনরগনি। নুপী ৱার্দেন অমা থমদবা য়াদবা মরম্না ৱার্দেন নুপী অমা থম্নবগীদমক অঙম্বা মতেং পাংগনি।

থৌরম অদুদা শৈশকপী মন্দাকিনি তখেল্লম্বমদা ১৩শুবা লাইশ্রম গৌরমনি মেমোরিএল এৱার্দ ফোর দি ভিজুএল্লি হেন্দিকেপদ ২০১৯সু শৈশকপী মন্দাকিনি তখেল্লম্বমদা পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর দি ব্লাইন্দ তাকয়েলগী সেক্রেটরি লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী, শোয়নাইরবশিংগী মপা হায়না মীংথোল পীখ্রবা অসিনা কৎলকপা এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০, সাইটেসন অমা অমসুং মমেন্টো য়াওরি। শৈশকপী মন্দাকিনিনা মীয়াম্বু পিরাং শিন্থহন্দুনা পেলহনবা ঙম্বগী থৌনা লৈরি।

হীরম খুদিংমক্তা ব্লাইন্দ ওইজরবসু তমজনীংঙাই ওইবা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা অমগা অমগগী মরক্তা মতেং পাংনদুনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা হরেকৃষ্ণ মংশাতাবম্না হায়খি, খুন্নাই হায়বসি মীওইবগী শাজৎ লিচৎ অসিনা তাক্লি। চেরিটি হায়বসিগী মথক্তা হেন্না মরু ওইরিবদি ৱাখল তামিন্নদুনা লৈমিন্নবা অসিনি অমসুং মসিগীদমক্তা সেন্সিটাইজিং হায়বা অসিসু পাঙথোকমিন্নগদবনি। অসিগুম্বা শোত্থরবা মীমান্নদ্রবশিংদা খুদোংচাবা পীবিয়ু। মদু ওইরগদি শোত্থরবশিংবু কনানসু হন্থনা লৌরোই অমসুং মতম মতমগী ওইবা অঙম্বা মতেংসু পাংগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর অমসুং নেরোকা ফুটবোল ক্লবকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা টি ঐচ অরুনকুমারনা হায়খি, শেন্থীবা মপূনা পীথোরকপা কয়া অমসু লৈরিবা ঙাক্তনি। হেন্দিকেপদ হায়বসি কনাসু নত্তে খুন্নাইদা কন্ত্রিব্যুসন পীবা ঙমদবশিং অদুবুনি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি মোরেল হেন্দিকেপদ ওইরিবা মীওইশিং অসিনি হায়না ফোঙদোকখি।

# মালেমগী ওইবা ইমা লোলগী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা শীন্দুনা মালেমগী ওইবা ইমা লোলগী নুমিৎকী থৌরম ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোংমাইথেম কিরনকুমার কনভেনর মণিপুরী লেঙ্গেইজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লিনা চীফ গেষ্ট অমসুং শমুরাইলাৎপম প্রহ্লাদ প্রসিদেন্ট মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমি ত্রান্সলেসন এৱার্দ ফংলবা মপূং ফাদবা হায়না মীংথোনবা লাইরিক্কী হন্দোক্লোই রাজকুমার মোবিবু তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা খুদোল তমখি। ডা. চোংথাম নরেন্দ্র এদভোকেটনা সাহিত্য অমসুং লৈঙাক্কী চৎনি-পথাপ হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা হন্দাক্লোই রাজকুমার মোবিনা হায়খি, ত্রান্সলেসন তৌবা হায়বসিদা দ্রামাগী ওইরবসু দাইলোগতা কান্দুনা হেক্তা থম্লম্বদা মদুগী ৱাহন্থোক য়াওদে। মরম অদুনা কুপথনা হন্দোক্তুবা য়াদে। ত্রান্সলেসন তৌবা হায়বসি লায়দবা অমসুনি। লেঙদবা ৱাহৈদুদা থম্লবদি কায়দে। হেক লেঙলুবা মতমদা ফজবা মশক অদু মাঙখি।

মোহন রাকেসনা কুমজা ১৯৬৬তগী ১৯৭১ ফাওবগী মনুংদা লোল ১২দা লাইরিক ফোঙলম্মী। মহাক্কী অধে অথোরে হায়বসি ৱাহৈ ৱাতাদা ইচম চম্বা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীসু করিমত্তা লৈতে অদুবু নাট অমদি কলচরদি ঐখোয়গী লৈজবা চীং পাৎ তুরেলদা শৈথাবা কয়া অসি পুথোকপা য়াই। ইচম চম্বা ঐখোয়গী লৈজবা কয়া অসি পুথোক্তুনা চৎপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শমুরাইলাৎপম প্রহ্লাদনা হায়খি, মালেমগী ওইবা মফম মফমগী ওইনা লৈজবা মমালোল অসিবু য়োকখৎতুনা ইকায়খুম্নরি। মরম অদুনা ইশাগী কাউবা হায়বসি য়াম্না অরানবা অমনি। ইশা ইশাগী লোল হায়বসি চেকশিন্না থম্বা চঙই।

# সী এ বিগী মায়োক্তা পূন্না লেপমিন্নদুনা খোঙজং চঙশিনমিন্নরসি : জেমস কসুং



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬না য়েলহৌমীশিং ইরমদম মণিপুর অসিদা মাইনোরিটি কম্যুনিতি ওইহনগদৌরে হায়না জেমস কসুংবু সগাং এরিয়া দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন্না শীন্দুনা ফুটবোল অমসুং বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা মহাকপু ওকপগী থৌরম ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিগী মেম্বরসু ওইরিবা জেমস কসুংনা মখা তানা হায়খি, মণিপুরদা সী এ বি ২০১৬ অসি চৎনবা শুংয়া য়াদনবা য়েলহৌমীশিংনা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা কনমিন্নসি। ত্রিপুরাদা ত্রিপুরি মুৎখিবা অসি ইমাংদা উদুনা লৈরবনি।

সী এ বি ২০১৬কী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ অমদা থৌদাং লৌমিন্নগদবনি। করিগীদমক্তা বি জে পিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা বিল অসি পাস তৌদুনা চৎনহনগনি হায়না ঙাঙলিবা অসিগী মায়োক্তা চপ চানা লেপফম থোকই। ঐখোয়গী লৈজরক্লিবা লৈবাক অসিদা করিগী মীতোপনা রাইট ফংহনগদৌরিবনি। মীতোপশিংদা রাইট পীবা সী এ বি অসি পাস তৌরকপদা য়েলহৌমীশিংনা ভোট লেপ্পা ফাওবদা কারক্ল রোই। য়েলহৌমীশিংগী রাইটতগী মীতোপ্পা হেন্না চাউনা মফম কল্লগনি। য়েলহৌমী মুত্থৎনবা হোৎনরকপা অমসুং সী এ বি চৎনহনবগী ৱাফম য়াদে হায়বদু থবক্লা ওইনা উৎতুনা তাক্লসি হায়খি। ইরমদমগী য়েলহৌমী কল্লসি হায়না পূন্না থেংনমিন্নরসি।

অমরোমদা সগাংদা লৈরিবা ভোট থাদবদি য়ারগা ভোট লেপ্পা য়াদ্রিবা মীওইশিং অসিসু শোয়দনা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লৈঙাক্না হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী ফংফম থোকপশিং পীবিয়ু : য়ুনুস খান

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহনবীয়ু হায়বা অসি নিবা নত্তে হায়না ষ্টেট প্লেটফোর্ম ফোর দিসএবল্দ পিপল ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এম দি য়ুনুস খাননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এম দি য়ুনুস খাননা মখা তানা হায়খি, রাইট টু পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্ট ২০১৬কী মতুং ইন্না চৎন-কাঙলোন কয়া লৈরবসু হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংনা ফংফম থোকপশিং অদুদি ফংদনা লৈরি।

চীফ মিনিষ্টরদা পোইন্ট ৬ য়াওবা মেমোরেন্দমসু পীশিনখিবা লৈরে। সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টরদসু অদুগুম্বা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে। স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিংগী খুদোংচাবা পীরগা তুংদা মীমান্নবা হিংবা য়ানবগীদমক লোন পীগনি হায়রি। অদুবু ট্রেনিং অসি ঙসি ফাওবদা হৌদোকপীদ্রি। করম্বা মতমদা হৌরগা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী নীংবা অসি থুংহনবা ঙমগদগে। লৈঙাক্কী দিভলপমেন্টকী ফন্দ লাকপা মতমদা দিসএবল্দ পার্সনশিংগী শরুক য়াওরিবনি। হায়রিবশিং অসি ঙসি ফাওবদা দিসএবল্দ পার্সনশিংদা খঙহনখিবসু লৈতে অমসুং ফন্দ অসিসু মপূং ফানা শীজিন্নবীদে। হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী অৱাবা খুদোংচাদবা করি করি লৈবগে হায়বদু য়েংশিননবগীদমক্তা এম পি লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দসু মণিপুরগী এম পি মরিদা লুপা লাক্ষ ১০/১০ হাপ্লিবনি। হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিং য়ুম শাবা ঙমজদবশিংগী চহী মঙাদা য়ুম কয়া শাগনি হায়রিবশিং অসিদা থবক অমত্তা পায়খৎপীদবগী মমিসু তারি। অসিগুম্বা কয়া অসিসু থবক ওইনা পায়খৎপীয়ু।

লৈবাক্কী য়াইতোং খমদোংবশিংনা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী ফংফম থোকপা কয়ামরুম লৈরে হায়না য়াম্না তোয়না ফোঙদোক্লবসু দিসএবল্দ ওইরবা মীওইশিংনা মপূং ফানা খঙদবনা অমদি এৱেয়রনেস মপূং ফানা পীবিদবনা মদুগী খুদোংচাবা অদু লৌবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা য়াইতোং খমদোংবশিংসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱাখল তাহনবীয়ু। মকোক থোংবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা খঙলবদি শোয়দনা মতেং পীরক্কনি থাজে হায়নসু ফোঙদোকখি।

হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিংনা লোন লৌগে হায়বদা অসুক্কী মতিক অৱাবা নংহল্লগা চহী অমা চনৈননা থম্লগা লোন পীবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোকপীরকপসু লৈ। উজ্জ্বালা স্কিমগী মখাদা গ্যাস কনেক্সন পীরিবা অসি ঙসি ফাওবা দিসএবল্দ পার্সনশিংদা ফংহনবা উদ্রি। নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা পোইন্ট তরুক য়াওবা মেমোরেন্দম অদু থবক ওইনা পাঙথোকপীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## খোঙজং চঙশিনগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : হয়েংদগী লাইরিক ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিল্লগনি অমসুং মথৌ তারবদি জেদ ঈ ওগী ওফিস শোলোনশিল্লগনি হায়না কে এস এনা ফোঙদোকখ্রে।

সর্ভ সিক্ষা অভিয়ান (এস এস এ) গী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা মতম চানা লাইরিক ফংহন্দবা, য়ুনিফোর্মশিং ফংহন্দবা অমসুং মীদ দে মিল পীদবা অসিনা মরু ওইবা ইস্যু ওইনা এদ্যুকেসন (এস) তা থোক্লি অমদি চহী খুদিংগী মহৈরোয়শিংদা লাইরিক য়াওদনা তমহনবসি মণিপুরগী চৎনবী অমা ওইরকপসিনা নুংনাংনীংঙাই ওইবা এদ্যুকেসন ওইরক্লে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ বাবুলুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মহৈরোয় লৈরিবসি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকীরা নৎত্রগা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট লৈরিবসি মহৈরোয়গীরা হায়না হংলক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা শেংদোকপীরকউ হায়রি।

# বাবুলচান্দনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : মিলালগী থৌবুলেন ওইরম্বা অৱাং পোৎশংবম লমদাইবুংদা লৈবা ওজা বাবুলচান্দনা থা অসিগী ১৯দা লৈখিদবদা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম) অমসুং দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইএন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এস টি দি সী এমগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাইখোম আনন্দ মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ওজা বাবুলচান্দনা লৈখিদববু মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। ওজা বাবুলচান্দনা লৈখিদবদা লমদম অসিগী মীতৈ ময়েক চৎহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা অচংবা থৌমী অমা মাঙজরে।

দেসামগী প্রসিদেন্ট সলাম অকাসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পোৎশংবম খুলেন্দা লৈবা মিলালগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম বাবুলচান্দনা লৈখিদবদা দেসাম হেদ ওফিসতা ঙসি অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপখ্রে হায়রি।

## মণিপুরী ফোক দান্সকী ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : রোয়ল আর্টিষ্ট একাদেমি ফোর কলচরেল হেরিটেজ লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়না শীন্দুনা নুমিৎ ২১নি চূপ্না চত্থরকপা ট্রেনিং কম প্রদক্সন ওন মণিপুরী ফোক দান্স লোইশিনবগী থৌরম ঙসি লংথবালদা লৈবা কাঞ্চিপুর কম্যুনিতি হোলদা লোইশিনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দেল্লিগী সী এফ পি জি এস স্কিমগী মখাদা রোয়ল আর্টিষ্ট একাদেমি ফোর কলচরেল হেরিটেজ লংথবাল কুঞ্জনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

ট্রেনিং লোইশিনবগী থৌরম অদুদা গুরু এস গৌরচন্দ্র, এক্স কাউন্সিল্লর এল ধনমঞ্জুরি, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এল সুসিত্রানচিংবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোইশিনবা নুমিৎতা থাবল চোঙবী হায়না মীংথোনবা ট্রেনিং প্রদক্সন ওইবা ফোক দান্স অমা উৎখি। থা অসিগী ২দগী হৌদুনা থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থরকখিবা ট্রেনিং অদুদা আর্টিষ্ট ২০দা ওজা অমসুং গুরু অহুমনা অরিবা জগোয় মখল অসিগী মরমদা তাকপী তম্বীখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: MINORITY AFFAIRS AND OBC & SC DEPARTMENT.**

**NOTICE**
Imphal, the 19th February, 2019

No.20/14/2005-MOBC: This is for information to all the eligible candidates who have applied for contractual engagement of various posts in the Manipur State Minorities Commission (MSMC) that Skill Test and Written Examination will be held on the 3rd and 4th March, 2019 from 9 AM onwards at **the State Academy of training (SAT), Takyelpat, Imphal West** as detailed below:

**A. Computer/Skill Test:**

| Sl. No | Name of the Post | Particular of Test | Date of Test | Time | Duration |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PA to Chairperson | Stenography Test | 3rd March, 2019 | 9:30 am to 10:00 am | 30 Mins |
| 2 | Office Assistant-cum-Computer Operator | Computer Test | 3rd March, 2019 | 10:30 am to 12:00 noon | 1 Hour 30 Mins. |

**B. Written Examination:**

| Sl. No | Name of the Post | Particular of Exam | Date of Test | Time | Duration |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PA to Chairperson | Written Examination | 4th March, 2019 | 10:00 am to 11:30 noon | 1 Hour 30 Mins. |
| 2 | Legal Assistant | Written Examination | 4th March, 2019 | | |
| 3 | Office Assistant-cum-Computer Operator | Written Examination | 4th March | 12:30 pm to 2:00 pm | 1 Hour 30 Mins. |
| 4 | Peon | Written Examination | 4th March | | |

2. The candidates are directed to report at the examination centre 30 minutes before the commencement of the Examination/Test. Those candidates arriving after 15 Minutes of commencement of the examination/Test shall not be allowed to enter the Examination Hall.

*Sd/-* Luckyson N. Kashung
Joint Secretary, MA/OBC & SC
Government of Manipur

HL-P/5950/22

OFFICE OF THE MEDICAL SUPERINTENDENT
REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES HOSPITAL
(An autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

ADVERTISEMENT
Imphal, the 21st February, 2019

No. H/CMHT/PMJAY/RIMS-2018:/195A walk-in-interview for hiring the services of the following non-clinical manpower for patient care services under the CMHT and PMJAY at RIMS Hospital will be held on 26th February, 2019 at 11:00 am in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal to select suitable persons. The engagement shall be purely on contractual basis for an initial period of 6 months or as long as CMHT and PMJAY is continued in RIMS Hospital, Imphal whichever is earlier. The engagement is liable to be extended depending on performance and continuation of the said schemes. Interested candidates having the qualification, experience and within the age limit as shown against the jobs may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing a bio-data along with copies of certificates/testimonials and a passport photograph to the Medical Superintendent, RIMS Hospital, Imphal. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

Applications will be received upto 4 pm of 23rd February, 2019 during office hours in the office of the Medical Superintendent, RIMS Hospital, Imphal.

| Sl. No. | Jobs/Work assignment | Consolidated pay | No. of Post | Qualification and experience | Upper age limit |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Pharmacist | Rs. 17,040 /- p.m. | 1 | 1. Atleast D. Pharm.<br>2. Desirable: Knowledge of CMHT & PMJAY schemes. | 35 years |
| 2. | Data Entry Operator (Hospital Co-ordinator) | Rs.14,865/- p.m. | 5 | 1. Minimum10+2 with 1 year DCA or Certificate in Computer Application from a recognized Institute.<br>2. Desirable:<br>a) Knowledge of Computer in regard to Microsoft office application.<br>- Uploading/downloading<br>- Internet surfing<br>b) Social work background.<br>c) Knowledge of CMHT & PMJAY schemes.<br>d) Knowledge of Hospital administration | 35 years |

*Sd/-* Prof. Ch. Arunkumar Singh
Medical Superintendent,
RIMS Hospital, Imphal.
Imphal, the 21st February, 2019

HL/P/5949/22